# মালেমদা ক্ষাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


Chou-en-Lai


Jerry Epstein, Claire Bloom, Charlie


Khrushchev

- **Miss Rachel Ford** না য়ূমদুদা থুংলবা মতমদা চার্লি মতৈ-মনাওদুসু মপোৎ-মচৈময়োমফাও থোক্লমদ্রি। মহাক ইকায়না চঙলকই, মরমদি ঈশিং অশাবনা পোকখিবগী মখোঙদু নাম্ম দাগ লৈরি। অদুনা মখোঙ নাম্মনা নুপাগী বুট তোংলকই, নাম্মনা নুপীগী খোঙউপ তোংলকই। অদুগা মখূৎনা য়োৎলি থাংবা হূই অমসু চিংদুনা পুরক্লি। হূইদুগী শউনগী মরীদু মাঙখ্রে।
- **Miss Rachel Ford** তু মাগী হৌনবী দোং দোং ঙাঙওরে। মহাক টাইপ নম্বা হৈতে হায়রে, অদুগী মথক্তা সেক্রেটরি অমুক্তা ওইজরক্ত্রি সু হায়ররে। মহাক্কী হায়বু কনফরেন্স মতম খরা শীন্নবা লৈতবনা চার্লিগীদমক মতম খরদি থবক তৌবা য়াগনি হায়ররে। চার্লিনসু মাগী হৈ-শিংবা, থবক চেকশিনবা, ৱাখল লেপ্পা, থবক ঙম্বা মগুন খরদি য়েংবদা উরে। অদুনা মিস ফোর্দপু সেক্রেটরি ওইনা লৌশিল্লে। মানা টাইপ নম্বা হৈতবা অদুগীদমক **Madam Eileen Burnier** কৌবী অমা নেক্লে।
- **Miss Rachel Ford** তু উনাগী ফজবা শকফম, তনৌ-তনৌবী শাবান অদু উবদা ঙকখ্রে। চার্লি অমসুং উনাগী ইকায় থীগনবা মতৌদসু মহাক পেঞ্জখ্রে। অদুনা সেক্রেটরি ওইনা তৌদ্রে, ইমুংদুগী মেনেজরগী ফম্বু পুখ্রে।
- চার্লি নে তাজরে, থা ৬তি মহাক করিগুম্বা অমত্তা তৌররোই হায়রে। পার্টি ফাওবা চৎলোই হায়রে। চিক্লা, শান্তি ওইনা য়ূমদুদা মাগী ইমুং মনুংখক্তা নুংঙাইনা লৈজগে লেপ্লে। অদুবু চার্লিনা খঙহৌদবা অমদি লৈরে। য়ূম অদু **Stand De Guemont** হায়বা **Vevey** লমদুগী নুপাশিংগী নোংমৈ কাপ্পা তমফম অদুগা ওন্থোক্লা নক্লরম্লে। মহাক মখোলদু হৈনরক্ত্রদুনা ১৯৫৫দদি কমপ্লেন্ট অমা তৌখ্রে। লমদুগী **Canton Authority** নসু মাগুম্বা মমিং লৈবা মীশক অমবু ব্যবহার তৌবা ওইনা নোংমৈ কাপ্পা তম্বদু নুমিৎ মশীং হন্থহনখ্রে, অদুবু নোংমৈ কাপফম অদুদি অদুম লৈতবা য়াদ্রে হায়রক্লে।
- হায়না হায়না নোংমৈ মখোলদুনা চার্লি লৈবা নুংঙাইত্রে, লমদু য়োন্থোক্লগা **Riviera** দা হোংলসিরা ফাওবা খন্নখ্রে। অদুমকপু অহানবদা মাগী মথৌসি অমেরিকাদগী মরল মথুম পুরকপনা ওইফম থোকই খনবনা মাগী অমেরিকাগী **Beverly** চীংদোংদা পামজনা শারম্বা য়ূমজাওদু য়োনথোক্লনি হায়খ্রে। অদুগা মাগী লোস এঞ্জেলসতা লৈবা ফিল্ম ষ্টদিওদু ন্যু য়োর্ক রিএল ইষ্টেটতা ডোল্লর ৭০০,০০০দা য়োন্থোকখ্রে, অদুদগী মাগী অমেরিকা চঙবা য়াবগী পার্মিট অদুসু অমেরিকা গভর্ণমেন্টতা হন্দোকখ্রে।
- অদুবু চার্লিনা মীয়াম খঙনবা চেরোল অমা ফোঙলকই। মানা পার্মিট হন্দোকপগী মতাংদা। মানা হায়, ''ঐবু য়ানীংদবা মীওই খরনা অমদি অমেরিকাগী মীচং-মীখায় নাইবা প্রেস খরনা ঐবু লান্না উহনবীবা মরম্না ঐগুম্বা লিবরেল ওইজবা, মীগী ৱাখল চেঞ্জবা মীওইবু মীংচৎ থিহনবীরে। অদুনা ফীভম অসিদা ঐনা ফিল্ম অমুক পুথোকপগী খুদোংচাবা ফংদ্রে। অদুনা ঐ অমেরিকাদা লৈবা তোকচরনি।''
- ১৯৫৪গী জুলাইদনা জেনেভা কনফরেন্স য়াওবা লাকপদা চার্লিগা চাইনাগী প্রেমিয়র **Chou-en-Lai** গা চাক চামিন্নখি। মদুসু চেবাউ পীরক্তুনা চৎলুবনি। চহী অনীমুক্কী মতুংদনা চার্লিনা লন্দন্দা মাগী ফিল্ম **'A King in New York'** নশ্লিঙৈদা সোভিএটকী **Khrushchev** সু উনখি। ৱারী হরাওনা শানখি। অদুবু মানা থওইনা আমেরিকাগী এম্বেসেদর, **Harold Stassen** তুদি উনখিদে, মীফমদুদা য়াওরবসু।
- ১৯৫৪গী মে থাদনা কম্যুনিষ্ট ৱর্ল্ড পিছ ওর্গনাইজেসন্না পীবা ৱর্ল্ড পিছ প্রাইজ, ডোল্লর ৫০০০ ফংখি। অদুবু পৈশাদু চার্লিনা কখোকখি। ডোল্লর ২০০০না পেরিসকী ময়ূম মকৈ লৈজদ্রবশিংগী য়ূম শানবা **Abbe Peirre** কৌবা লূপ অদুদা কৎখি। অদুগা ডোল্লর ২০০০ অমনা লন্দন্দা লাক্লগা মানা লৈরম্বা **Lambeth** সহরগী **Mayor, Major Herbert White** তা শিন্নখি, অহল ওইরবা, লায়রবা মীওইশিংদা য়েন্থোকপীখো হায়দুনা। **Lambeth** সহরগী অহল-লমনশিংদুনা লৈকায়দুদা লৈরম্বা চার্লিবু অঙকপদা থাগৎনখি।
- ১৯৫৫গী ফেব্রুৱারীদা মতৈ-মনাও লন্দন্দা কোয়বা লাকখি। উনাগী বৃটিশ পাসপোর্ট অমা পায়রে। মাসু অমেরিকাগী সিটিজন ওইবা তোক্লে, হন্দোকখ্রে। ১৯৫৫দুগী মার্চ থাদনা চার্লিগী য়ুনাইটেদ আর্টিষ্টকী সেয়ার অদুসু য়োন্থোকখ্রে। অদুনা অমেরিকাগা মরী পুমতৎ তৎনরে।
- ১৯৫৪-৫৫ অসি চার্লি অনৌবা স্কৃপ্ট শেম্বা লাক্লরি। মহাক পোত্থাবা লৈতে। মানা হায়জে, **"Work is Live-and I want to live. I can't stop... ideas just keep popping into my head."** করি অমুক হায়নি। ১৯৭৬তা শিরমদাই থা ৬ লোমদা ঙায়রফাও ফিল্ম শেমখিবনি। মানা ফিল্মগী মতাংদনা অসুম্না হায়খি, **"This industry is a monster which grabs at everything. The grain of an idea I get I have to hang on to jealously."**
- ১৯৫৩দগী মহাক ফিল্ম অমগী মঙ মঙলি, অহানবদা ফিল্মদু, **"A King in New York"** থোল্লম্বনি। অদুবু ১৯৫৪গী মেদদি ফিল্মদু **'The Ex-King'** দমক কৌখ্রে। ১৯৫৫দদি স্কৃপ্ট লোইরে।
- নম্বা হৌনবা হোৎনরে। মাগী ফিল্ম **Limelight** হায়বদুগী এসিষ্টেন্ট প্রোদ্যুসর ওইখিবা **Jerry Epstein** কৌরে। মানা এসোসিয়েট প্রোদ্যুসর ওইবা তারে, **'The Ex-King'** হায়বা ফিল্মসিগী। **Jerry Epstein** থুংঙরে। মাসু চার্লিগী অনৌবা য়ূমদা লৈররে। চার্লিগী মচাশিংগী খূৎচাবী মরুপ ওইখ্রে। চার্লিগা তানরগা **'Attica'** কৌবা অনৌবা প্রদক্সন কম্পেনি অমা লীংখৎখ্রে। মমৈদদি মমিংদু **Roy Export Company Establishment** কৌখি। মসি চার্লিনা কৌগে য়াওনা কৌরিবনি। ফ্রেঞ্চ লোন্দা **King** বু **Roi** হায়। অদুনা **A King in New York** কৌবদু ফ্রেঞ্চ ৱাহৈদা **Un Roi a New York** হায়। মদুদগী **Roi** লৌথোকপনি।
- ফিল্ম অসি নম্বগী ষ্টদিওদি লন্দন্দা লৈবা **Shepperton Studios** অদু ৱায়রে। ১৯৫৫গী নবেম্বর থাদদি উনাসু লন্দন্দা থুংঙরে। খরা চিক্লা লৈনীংবদগী গ্রেট ফোষ্টরস হোটেল কৌবা অদুদা লৈরে। ষ্টদিওদুসু নক্লা লৈবা হোটেলনি।

-মথং-মথং

# মকোক থোংবা হোলিৱুদ এক্ট্রেসশিং

## জেনেট লি

মমিং চৎলবা অমেরিকান এক্ট্রেস অমদি অইবী জেনেট লি, কুমজা ১৯২৭ কী জুলাই ৬ তা কেলিফোর্নিয়াগী মর্সেদতা পোকখি। মহাক্কী অহানবা মমিং জেনেট হেলেন মোরিসন কৌই। হেলেন লিটা অমদি ফ্রেদরিক রোবর্ট মোরিসনগী নাইতোম পোকচবী জেনেট লিবু কুমজা ১৯৪৫ দা এক্ট্রেস নোর্মা শিয়ররনা ইহান-হান্না উরুবা মীৎকুপতা ফিল্ম কৃম্বা য়াগনি খনবদগী মমিং লৈরবা ফিল্ম কম্পনি মেট্রো গোল্ডৱিন মেয়র (এম জি এম) গী টেলেন্ট এজেন্ট ন্যু ৱাসরমেনদা মশক তাকখি।



এম জি এমগা কোন্ট্রেক্ট অমা সাইন তৌবদগী য়ুনিভর্সিটি ওফ পেসিফিকতা ম্যুজিক অমসুং সাইকোলোজি তম্লম্বা জেনেট লিনা মহৈ তম্বা তোকথোক্তুনা ফিল্মদা খোঙদানবা থৌরাং তৌবা হৌখি। কুমজা ১৯৪৭ তা মহাক্না অহানবা ওইনা 'দ রোমান্স ওফ রোজি রিছ' দা মরু ওইবা শক্তম লাংখি। মতমদুদা মহাক লাইরিক মখা তমথনিংলকপদগী য়ুনিভর্সিটি ওফ সাওদর্ন কেলিফোর্নিয়াগী নাইট স্কুলদা মিং চল্লম্মী। লোয়ন-লোয়ননা ফিল্মসু অদুম্মক কৃম্লম্মী। মমিং চৎখিবা মহাক্কী অতৈ ফিল্মশিংদি ''এক্ট ওফ ভাইয়লেন্স'', লিট্টল ৱিমেন'', ''হোলিদে এফ্যের্স'', ''এঞ্জেলস ইন দ আওটফিল্ড'', ''স্কারামুচ'', ''দ নেকেদ স্পর'', ''ৱাক্কিং বাই বেবি বেক হোম'' অমসুং ''লিভিং ইট অপ'' অসিনচিংবনি।

চহী য়াম্না নৌনা অনীরক ময়ুম পাল্লুরবা মতুং কুমজা ১৯৫১ দা মহাক্না এক্টর টোনি কর্টিসতা অমুক হন্না লুহোংদুনা মচা অনী - জেমি লী কর্টিস অমদি কেলি কর্টিস ফংজখি। মতৈ মনাওনা পূন্না কৃম্মিন্নখিবা ফিল্ম মঙা - ''হাওদিনি'' (কুমজা ১৯৫৩), ''দ ব্লেক শিল্ড ওফ ফেলৱর্থ'' (কুমজা ১৯৫৪), ''দ ভাইকিংস'' (কুমজা ১৯৫৮), ''দ পর্ফেক্ট ফর্লো'' (কুমজা ১৯৫৮) অমদি ''হু ৱাজ দেট লেদি'' (কুমজা ১৯৬০) মীয়াম্না অদুম্মক পাম্নখি।

মতুং তারকপদা মহাক্না কৃমখিবা ফিল্মশিংদি ''পেপে'', ''সফারি'', ''টচ ওফ ইভিল'', ''দ মঞ্চুরিয়ন কেন্দিদেট'', ''বাই বাই বর্দি'', ''দ ফোগ'' অমসুং ''হেলোৱিন'' নি।

ভেস্ক্যুলাইটিস কৌবা ঈ উতোংদা পোমখৎপগী লায়না অমগা মতম শাংনা লানথেংনরম্লবা মতুং কুমজা ২০০৪ দা মশাগী চহী ৭৭ শুরকপা মতমদা জেনেট লি নোঙ্গাখি।

# থম্মোয়গী লায়না

## ঈশাগী অনাবা ঈশানা খঙসি



কোরোনরি আর্টরি দিজিজ (সি এ দি) নৎত্রগা এথেরোসক্লেরোটিক হার্ট দিজিজ হায়না খঙনবা থম্মোয়গী অনাবা অসিনা খ্বাইদগী কম্মন ওইবা অমসুং হার্ট এটেক খ্বাইদগী তৌহনবা থম্মোয়গী লায়নানি। থম্মোয়দগী হকচাংগী অতৈ মফমশিংদা ঈ পুথোরক্লিবা শিংলি উতোং (আর্টরি) ফুঞ্জিল্লক্তুনা ঈগী ঈচেল তপথরকপদগী অনাবা অসি ওইরকপনি।

কা হেন্না ফিভম শোকচিন্দ্রিবফাওবা লাইওং অমত্তা উৎথোরক্তবা মরম্না লায়না অসিনা নারবা মীওই অয়াম্বা মতম ফনা শাংনা করিসু তৌদবা অকনবা মী অমগুম অদুমক লৈরম্লগা ইখঙ খঙহৌদনা তৌরকপা হার্ট এটেক হেক হেক থোকহল্লি।

চহী য়ামশিল্লকপা, মৈখু শীজিন্নবা, ঈদা কোলেষ্টরোল ৱাংনা য়াওবা, দাইবেটিসকী অনাবা লৈবা অমসুং ব্লদ প্রেসর ৱাংবা মীওইশিংদা আর্টরি খূজিল্লকপা থেংনৈ। লায়না অসি নাবগী চাং নুপীদগী নুপাদনা হেন্না ৱাংই। য়াম্না নক্লবা ঈ মরীগী কনাগুম্বা মীওই অমা সি এ দি নাখিবা থোক্লবদি খরা চেকশিন্না লৈবা মথৌ তারে।

কনাগুম্বা অমা থম্মোয়গী অনাবা লৈরে হায়বা চপ চানা খঙদোক্লবগীদমক ইলেক্ট্রো কার্দিওগ্রাম (ঈ সি জি) ব্লদ টেষ্ট, কার্দিয়াক ষ্ট্রেস টেষ্টিং নৎত্রগা কোরোনরি এঞ্জিওগ্রামগী মতেং লৌবা মথৌ তাই। লায়ওং অমদি রিস্ক খেন্নবগী মতুং ইন্না লায়েং পথাপসু খেন্নৈ। অনাবগী ফিভম য়েংলগা ইচম চম্না হীদাক-লাংথক খরা থাবা নত্রগা এঞ্জওপ্লাষ্টি নৎত্রগনা কোরোনরি আর্টরি বাইপাস সর্জরি (সি এ বি জি) তৌদুনা লায়েংই।

করিগুম্বা মরম অমা নৎত্রগা অমদগী আর্টরি খূজিল্লত্তুনা ফুনখিবা মতমদা ওক্সিজেন য়াওবা ঈ মরাং কায়না থম্মোয় য়ৌনা চেল্লকপা ঙমদে। মতমদুদা থবাক্কী ময়ায় থংবা শরুক্তা ইখঙ খঙহৌদনা চৈনাখোল অমা ফাওরক্কনি। মসি হার্ট এটেক্কী মরু ওইবা লায়ওংনি। চৈনাখোল অদু থবাক ময়ায়দগী শনে দাকখিদুনা ঙকশম, লেংজুম, পাম্বোম অমদি পূক্কী মথক থংবা শরুক্তসু অনাবা ফাওরকপা য়াই।

হার্ট এটেক্কী অতৈ অতোপ্পা লায়ওংশিংদি হুমাং পাখৎপা, হকচাং খংচোক চোকথবা, নিংশা শ্বর হোনবা ৱাবা, ওনিংবা, মীহুন চোংবা, নাকোংদা ঙংবগী মখোল অমা তাবা, কুচু তাইফেৎ তাবা, ওবা অমসুং ৱা ঙাংবা ঙমদবা অসিনচিংবনি।

হার্ট এটেক তৌহল্লকপগী মরু ওইবা মরমদি অর্টরিওসক্লেরোসিস অমসুং এথরোসক্লেরোসিস কৌবা থম্মোয়গী অনাবা মখল অনী অসিনি।

মৈখু শিজিন্নবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা (হায়পরটেন্সন), ঈদা কোলেষ্টরোল অমদি ট্রাইগ্লাইসরাইট চাং ৱাংনা য়াওবা, অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা, দাইবেটিস নাবা, হেরিদিটি, হকচাং শাজেল তৌদবা লোয়ননা ৱাখল ৱাবা অমদি চরাংনবনা থম্মোয়গী অনাবা অসি ওইহল্লকপনি।

শিংলি উতোং খূজিল্লকপদগী নৎত্রগা ফুনখিবদগী থম্মোয়দা ঈ মপুং ফানা য়ৌরকপা ঙমদ্রবা মতমদা ওক্সিজেন ৱাৎপদগী মাইয়োকার্দিয়ল সেলশিং শিহল্লি। মসিবু মাইয়োকার্দিয়ল ইনফার্ক্সন নৎত্রগনা কম্মন ওইনা হার্ট এটেক হায়না খঙনৈ। মসিনা হার্টকী মশল অমাঙ অতা থোকহনবগা লোয়ননা শিহল্লি। মতৌ অসুম্না শিখ্রবা হার্টকী মশলনা অমুক হন্না ময়োল চোংলত্তুনা হিংগৎলক্তবা মতমদা হার্টকী মথৌ লেপখিবদগী মী শিহল্লি।

হার্টপু ফিভম ফনা থম্নবা অমসুং মথৌ নিংথিনা তৌহন্নবা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংদি পুন্সি মহিং হোংদোক্তুনা নুমিৎ খুদিংগী চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা, ফেট অমদি কোলেষ্টরোলগী চাং ৱাংনা য়াওবা চীঞ্জাক ককথদুনা অফবা মচি ওইবা চীঞ্জাকখক্তমক চাবা, নুংঙাইবা ৱাখল খন্দুনা য়ারিবমখৈ ষ্ট্রেস লৈহন্দবা অমসুং নুমিৎ খুদিংগী মপুং ফানা পোত্থাবা হায়বসিনি। কনাগুম্বা অমা হার্ট এটেক তৌরকপা তারবদি মদুগী চপ চাবা সিম্পটম খঙদোক্লবা হোৎনগদবনি; মীওই অদু নিংশা শ্বর হোনবা নুংঙাইগদবা মওংদা ফমহন্দুনা নৎত্রগা হীপহন্দুনা থমগনি; য়ারিবমখৈ ৱাখল ফাথদুনা পাখৎপা নৎত্রগা মিপাইবা পোকহল্লোইদবনি অমসুং য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা অনকপা হোস্পিটাল অমদা পুগদবনি। করিগুম্বা মনাক নকপদা হোস্পিটাল নৎত্রগা দোক্তর অমত্তা লৈতবা তারবদি য়ারিবমখৈ মীওই অদু মশা লেঙহন্দনা ফমুংদা পোত্থাদুনা লৈহনগদবনি। ফিভম অমত্তদা হৌগৎ-কাংখৎপা তৌহল্লোইদবনি।

# শম খোইবশিংনা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাং



শম খোইবা মীওইশিংনা নুমীৎ খুদিংগী মশম শেন্নবখক্তদা মতম কয়া য়াম্না মাঙবগে অমসুং কয়ামুক ৱাবগে হায়বদু মশম তিংবা মীওইশিংনদি পাক হেক খঙলমগদবা মান্দে। নীংথিনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবদি অখোইবা শম্লাংগীসু তোপ-তোপ্পা মফজা অমদি অদুমক লৈজে।

অখঙ-অহৈশিংগী মোত মতুং ইন্না অখোইবা শম্লাংগীদমক খ্বাইদগী মথৌ তারিবসি কন্দিশনরনি। শম খোইবা মীওইশিংদি শমখোঙদা মহৌশাগী ওইবা থাউ মরাং কায়না থোক্তবদগী শম ইকং কংই। মরম অদুনা চাং নাইনা অমদি তোয়না কন্দিশনর শীজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। ইচম চম্না শেম্পু লুজবা খক্তদা দিহাইদ্রেশন তৌদুনা শম ইকং কংবা হেঞ্জিল্লকই। খুদোংচাদবা অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক য়ামদ্রবদা থা খুদিংগী অনীরক্তি দীপ কন্দিশনিং তৌবা মথৌ তাই। মসিনা খ্বাইদগী ইকং কংবা (ড্রাই ওইবা) শমদফাওবা মোইচরগী শরুক হেনগৎহন্দুনা থোৎ-থোৎ লাউহল্লি।

শম খোইবশিংনা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং খরদং খঙমিন্নসি ঃ

- সিল্ককী মোন খাঙলগা তূমগদবনি নৎত্রগনা তূম্লমদাইদা সিল্ককী ফি অমনা শমদা নীংথিনা য়েৎশিনগদবনি। মসিনা শম অমদি শমখোঙ শোকহন্দবগা লোয়ননা তূম্বা হৌগৎলকপদসু ফজনা অদুমক লৈহল্লমগনি।
- কোক তূম্বা লোইরগা মাইক্রো-ফাইবরগী টাৱেল, টি-শর্ট নৎত্রগা পেপর টাৱেলনা তপ্পা তপ্পা তৈথোক্কদবনি। তৈথোক্লিবনি হায়দুনা কন-কন লাওবা টাৱেলনা কোক্তা কন্না তক্লবদি শম অমসুং শমখোঙ শোকহল্লি।
- অখোইবা শমদি শাংগৎলকপদা মতম কুইনা চঙবগুম তৌই। শাংগৎলকপা শরুক অদু কোনশিনখিবদগী পাক হেক শাংগৎলক্তবা মানবনি। অদুবু মসি ওইরে হায়দুনসু চাং নাইনা শম কক্তবদি খক তৌরোইদবনি। তঙাইফদনা থা অনী খুদিংগী অমুরক শম কক্কদবনি।



- য়ারিবমখৈ সলফেট য়াওদবা শেম্পু অমসুং কন্দিশনর শীজিন্নবগা লোয়ননা চয়োল খুদিংগী অমুরক শমদা মোইচরাইজিং মাস্ক শীজিন্নগদবনি।
- কা হেন্না শম খোইবগা লোয়ননা ড্রাই য়াম্না ওইবা মীওইশিংদি শেম্পু লুজবগী মহুৎতা কন্দিশনর খক্তা লুজবনা কান্নবা হেনগনি।
- অখোইবা শম্না কোক্কী মওং মতৌ থীনা উহন্দনবগীদমক মরোল নাইবা শমকক (লায়র্দ হ্যেরকট) কক্কদবনি।
- য়াম্না তোয়না শমদা পায়বা নানবা খক তৌরোইদবনি।

